# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, FEBRUARY 10, 2016 PAGE 7






*১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী আর্চরি দিসিপ্লিনগী নুপীগী রিকর্ব ইভেন্টকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী আর্চর দিপিকা কুমারি*

*দিল্লি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী শেলগী চয়েৎনবা লৈ হায়দুনা মরাল শিরকপদগী সি বি আই না থিগৎখিনবগীরারোল থাংগৎপদা অয়াবা পীরক্তবদগী হরাওবা ফোঙদোক্লিবা হান্নগী শান্নরোই কির্তি অজাদ*

## ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস ২০১৬

# মণিপুরদগী হৌখিবী লাইশ্রম বোম্বেলানা আর্চরি ইভেন্টতা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল ফংখ্রে, হোক্কিদা পাকিস্তাননা ইন্দিয়া থোইখ্রে





নুপীগী রিকর্ব টিম আর্চরিদা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী বোম্বেলা (ময়াই), পিদিকা (ওই) অমসুং লক্ষ্মীরানি

গুৱাহাটি/শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ৯ঃ ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা আর্চরিগী নুপীগী রিকর্ব টিম ইভেন্টতা মণিপুরদগীহৌখিবী লাইশ্রম বোম্বেলনা ইন্দিয়াগী দিপিকা অমসুং লক্ষ্মী রানিগী টিম্না গোল্ড মেডল ফংখ্রবা মতুং বোম্বেলা মশামক্না ইভেন্ট অসিগী ইন্দিভিদুয়েল রাউন্দদা সিলভর মেডল অমসু ফংখ্রে।

রিকর্বকী টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী আর্চর দিপিকা কুমারি, লাইশ্রম বোম্বেলা দেবি অমসুং লক্ষ্মী রানি মাঝিনা অহৌবা রাউন্দদা বাই ফংলবা মতুং ভুটানবু পোইন্ট ৬–০ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেলদা শ্রীলঙ্কাগা লম্বা তৌনবদসু ৬–০ দা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেডল লৌখিবনি।

শিল্লোংগী পোলোগ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা আর্চরিগী ইভেন্ট অদু নুংশিৎ কা–হেন্নো শিংপা মরম্না ইন্দিয়াগী টিম অদুনা পার্ফেক্ট স্কোর ফংবা ঙমখিদবনি। টিম ইভেন্ট লোইরবা মতুংদা ইন্দিভিদুয়েল নুপীগী রিকর্ব ফাইনেলদা মণিপুরগী লাইশ্রম বোম্বেলানা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী আর্চর দিপিকা কুমারিগা লম্বা তৌনবনি। মদুদা আর্চর অনীমক য়াম্না মান্নবা মওংদা থেংনরক্লবা মতুং দিপিকানা পোইন্ট ২ হেল্লগা পোইন্ট ৬–৪ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল ফংলগা বোম্বেলানা সিলভর ফংহৌবনি।

রিকর্বগী নুপাগী টিম ফাইনেলদসু ইন্দিয়াগী তরুন দেব রায়, গুরুচরন বেসরা অমসুং জয়ন্ত তালুকদারনা ফাইনেলদা শ্রীলঙ্কাগী টিম অদুগা লম্বা তৌনবদা খরা ৱাখ্রবসু পোইন্ট ৬–১ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

মিক্স টিমদসু ইন্দিয়াগী তরুন দিপ রায় অমসুং দিপিকানা বংলাদেশকী সোজেব সিখ অমসুং ব্যুটি রেবু য়াম্না লাইনা ৬–০ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল ফংখি।

### হোক্কি

চখরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিগী নুপাগী হোক্কিদা য়ুম্বু ইন্দিয়াবু পাকিস্তান্না পাঙ্গল ২–১ দা থোইদুনা মফম অদুদা তিনখিবা ভাবকশিংগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙমখি।

গুৱাহাটিদা লৈবা মোলানা তবুলা ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা নুপাগী হোক্কিগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম্বু পাকিস্তান্না পাঙ্গল ২–১ দা থোইরবা মতুং মফম অদুদা তিনখিবা ভাবকশিংনা পাকিস্তানগী শান্নরোইশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা খুবাক খুখি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঙ্গল অদু পাকিস্তানগী মায়কৈদগী মোহমদ অর্সলান কাদিরনা ১১ শুবা মিনিটতা চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনিটতা পাঙ্গল অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অসি জুনিয়র শান্নরোইনা নমখিবা টিম অমনি। অমরোমদা পাকিস্তানগীদি মখোয়গী নম্বর ৱান টিমগী শান্নরোইশিং মশিং হেনখি। ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঙ্গল অদু কেপ্টন ওইখিবা মন্দিপ অন্টিলনা ৫৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। পনবা য়াবদি মমাঙগী চহীদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নস ট্রোফি হোক্কী সেমি ফাইনেলদা পাকিস্তান্না ইন্দিয়াবু থোইরবা মতুং টিম অদুগী শান্নরোই খরনা লুজদবা থৌওং খরা উৎখিবা অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা হোক্কি মশান্নদা চয়েৎনবা লৈরুরবনি।



ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম্বু মায়থিবা পীরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোক্লিবা পাকিস্তানগী হোক্কি শান্নরোইশিং

### ৱেটলিফটিং

চখরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী ঙসি লোইশিনখিবা ৱেটলিফটিংগী ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা অপুনবা গোল্ড মেডল ১৫ লৈবগী মনুংদা ১২ লৌদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ৱেটফিলটিং টিম্না কাঙলুপ অদুগী অপুনবা ইভেন্ট ৮ গী মনুংদা গোল্ড মেডল ৬ অমসুং সিলভর মেডল ১ ফংবা ঙমখি। অমরোমদা নুপীগী অপুনবা ইভেন্ট ৭ লৈবগী মনুং গোল্ড মেডল ৬ ফংবা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৭৫ মথক্কী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী সুসিলা পনৱারনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। সিলভর অদুনা শ্রীলঙ্কাগী ইশানিনা ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা নেপালগী তারা দেবিনা ফংখি।

নুপাগী কেজি ১০৫ গী মথক্কী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী লিফটর গুরদিপ সিংহ অপুনবা কিলোগ্রাম ৩৪৫ থাঙ্গৎলগা সিলভর মেডল ফংহৌখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদুনা পাকিস্তানগী মোহমদ নু দসগিরনা কেজি ৩৬০ থাঙ্গৎলগা ফংখিবনি। অমরোমদা শ্রীলঙ্কাগী সামন্না কেজি ২৭৫ থাঙ্গৎলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংবা ঙমখি।

**MEDAL TALLY**

| Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|
| India | 78 | 36 | 10 | 124 |
| Sri Lanka | 17 | 37 | 33 | 87 |
| Pakistan | 5 | 12 | 20 | 37 |
| Bangladesh | 3 | 10 | 27 | 40 |
| Nepal | 1 | 5 | 15 | 21 |
| Afghanistan | 0 | 2 | 5 | 7 |
| Bhutan | 0 | 1 | 4 | 5 |
| Maldives | 0 | 1 | 1 | 2 |

# শ্রীলঙ্কাবু রন ৯৭ তা থোইদুনা ইন্দিয়া ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



শ্রীলঙ্কা মায়থিবা পীবদা রন ৭২ লৌখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন অনমোলপ্রিট

ধাকা, ফেব্রুৱারী ৯ঃ ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কা মায়থিবা পীদুনা চহী ১৯ মখাগী ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অনমোলপ্রিট সিংহনা মেটচ অদু মায় পাকখিবদা রন ৭২ লৌদুনা খ্বাইদগী চাউবা থৌদাং লৌখি।

ঙসি ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মখাদা বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইরগা চখরকপা চহী ১৯ মখাগী ৱার্ল্ড কপকী টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কানা মায়োক্নখিবদা টোস শ্রীলঙ্কানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাগী বোল্লরশিং অদুবু মায়োক্নবদা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৬৭ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হৌরকপদা ফজবা ঙমখিদ্রবসু অনীশুবা ৱিকেট আউট ওইখ্রবা মতুং অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপকীদমক সরফরাজ খান অমসুং অনমোলপ্রিট সিংহনা শান্নরকপদা রন ৯৬ কী পার্টনসিপ অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ১২৩ য়ৌবা ঙমখি।

সরফরাজ খান বোল ৭১ দা সিক্স ১ গা ফোর ৬ য়ৈরম্লগা রন ৫৯ লৌরমখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা ৱেসিংটন সুন্দর অমসুং ইন্দিয়াগী অহুমশুবা বেটসমেন ওইখিবা অনমোলপ্রিট সিংহনা মখা তানা ইন্নিংস অদু শ্রীলঙ্কাগী বোল্লরশিং অদুবু অহেনবা মওংদা মায়োক্নদুনা রন ৭০ হাপচিনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ১৯৩ শুরকপদা টিম অদুগী অহুমশুবা বেটসমেন অনমোলপ্রিট বোল ৯২ দা রন ৭২ লৌরগা সিক্স ১ অমদি ফোর ৬ য়ৈরম্লগা আউট ওইখিবদগী মখা তানা অর্মান জাফর শান্নবা চঙলকখি। লেমহৌবা ওভর ৮ দা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা রন ২৬৭ লৌদুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা শ্রীলঙ্কাগীদমক মায় পাক্নবা রন ২৬৮ গী টার্গেট থম্লমখি।

শ্রীলঙ্কাগী মায়কৈদগী মায় পাক্নবা শান্নরকখিবা অদুদা ওভর ৪৩ শুরকপদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০ মক শুপ্নগী রন ১৭০ লৌরগা আউট ওইখিবদগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৯৭ তা মায় পাকখিবনি।

# রিয়েল মাদ্রিদ মায় পাক্নবসু লীগকী অহুমশুবা পোজিসন্দা অদুম্মক লৈরি

মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ৯ঃ স্পেনগী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ ওইরিবা লা লিগাগী ঙরাং শান্নখিবা ২৩ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা গ্রনাদাবু পাঙ্গল ২–১ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবা টিম অসি লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসন্দা অদুম্মক লৈরি।

রিয়েল মাদ্রিদগী মায়কৈদা শরুক য়ারিবা ফ্রেন্স মচা করিম বেঞ্জিমানা শান্ননবগী ৩০ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা পাঙ্গল অদু চন্দুনা গ্রনাদাবু মাঙজিল থাখি। গ্রনাদাগী টিম ঙরাংগী মেটচ অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা মখোয়দগী থাক ৱাংনা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদপু লম্বা মান্নবা মওংদা মায়োক্নবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ বেঞ্জিমাগী পাঙ্গলনা লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনিট ১৫ চঙশিল্লকপদা গ্রনাদাগী মায়কৈদগী য়ুসেফ অল অরাবিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা রিয়েল মাদ্রিদগী মায়কৈদা অচৌবা খুরৌ অমা থাংখি।

মেটচ অদু মখা তানা শান্নরকপদা অহেনবা পাঙ্গল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা পুংখায় ফাজি লক্কদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী লুকা মোদ্রিকনা ৮৫ শুবা মিনিটতা পাঙ্গল অমা চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না মায় পাকপখিবনি।

# মেটচ ওফিসিয়েলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না জিরিবামদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১ শুবা জিরি কপ ইনভিটেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫–১৬ তা মেটচ ওফিসিয়েল ওইগদবশিং খনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিয়েলশিং অদুদি এস ঐচ সুরেস, এন সন্তোস অমসুং এস তোম্বীনি।

# রানি গাইদিনলিয়ু মেমোরিয়েল ফুটবোল হৌখ্রে

কছার (জে এন এন), ফেব্রুৱারী ৯ঃ অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্তা লৈবা রামগাইজাংদা ঙসিদগী হৌখিবা অহানবা রানি গাইদিনলিয়ু মেমোরিয়েল ফুটবোল ট্রোফি ২০১৬ হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১০ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অহুম থোক্না লম্বা তৌনগদৌরি। গ্রুপ (এ) দা আর ৱাই সি, লক্ষিনগর ৱাই সি, লাংখানলুৱাং ৱাই সি অমসুং পি এস য়ু পিছলেন্দ লৈরি। গ্রুপ (বি) দা এল এম এফ সি, পি ৱাই সি অমসুং এন ৱাই সি লৈরি। অদুগা গ্রুপ (সি) দা এল এফ সি, এন এ ৱাই সি অমসুং এল এল এম এফ সি য়াওরি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)
Ref. : Mutation Case No. 200/SDC/IW(C) 4/2/2016

1. Khwairakpam Rajendro Singh S/o (L) Yumjao Singh of Sega Road Khwairakpam Leikai
2. -do- Surchand Singh S/o (L) -do-of-do-
3. -do- Uttam Singh S/o (L) -do-of-do-

Petitioners

-Vs-

(Late) Khwairakpam Ongbi Chaobiyaima Devi W/o (L) Yumjao Singh of Sega Road Khwairakpam Leikai

O.P.Party

**NOTICE**

Imphal, the 8/2/2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Khwairakpam (O) Chaobiyaima Devi পতি মৃঃ Yumjao Singh সাং Sega Road Khwairakpam Leikai গী মিংদা লৈবা IW তহসিলগী খুল নং 85- Sagolband গী অনৌবা পট্টা নং 665(N), দাগ নং 12163 অমসুং এরিয়ানা .0281 (হেক্তর) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং (মচাশিং) অসিনা মখোইগী মমিং দা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নি গী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখ্খজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/168/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)
Ref. : Mutation Case No. 180/SDC/IW(C) 2/2/2016

1. Hajarimayum Prabhacharan Sharma
2. -do- Premkanta Sharma , 3. -do- Boy Sharma
4. -do- Naobi Sharma all are sons (L) Hajarimayum Gokulanada Sharma of Brahmapur Nagamapal

Petitioners

-Vs-

(Late) Hajarimayum Gokulanada Sharma S/o (L) Bapu Sharma of Brahmapur Nagamapal

O.P.Party

**NOTICE**

Imphal, the 9/2/2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Hajarimayum Gokulanada Sharma পীং (L) Bapu Sharma সাং Brahmapur Nagamapal গী মিংদা লৈবা ইং ওঃ তহসিলগী খুল নং 89- Khwai Lalambung গী অনৌবা পট্টা নং 895 অরিবা পট্টা নং 567 দাগ নং 3232 অমসুং এরিয়ানা .0067 (হেক্তর) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং (মচাশিং) অসিনা মখোইগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোংলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/166/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 81/SDC/P of 2016

**Maibam Imo Singh** S/o (L) M. Goura Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal

Petitioner

-Vs-

M. Goura Singh S/o (L) M. Tolamu Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 9th February, 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 27-Wangkhei Nongpok গী Patta No. 44 (অরিবা) 580/595 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1257/1421 an area .032 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুং দা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চখ্খগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/167(b)/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 82/SDC/P of 2016

1. Wangkheimayum Kunjabihari Singh S/o (L) W. Kanhai Singh of Wangkhei Amu Leikai
2. Wangkheimayum Kamala Devi D/o (L) W. Kulla Singh of Wangkhei Amu Leikai
3. Himat Wangkheimayum S/o (L) W. Kanhai Singh of -do-of-do
4. Okram Meena Devi D/o W. Kanhai Singh -do-of-do
5. Wangkheimayum Rocky Singh S/o W. Kanhai Singh -do-of-do

Petitioners

-Vs-

Wangkheimayum Kanhai Singh S/o (L) Angangmacha Singh of Wangkhei

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 9th February, 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 27-Wangkhei Nongpok গী Patta No. 288 (অরিবা) 449 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 2054 an area .25 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চখ্খগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/167/10



